ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
হুইয়েন লানপাউ
HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

Vol. 47, Issue No. 21 | শগোলশেন, শজিবু ২৩নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Thursday, April 13, 2023, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

# ‘মীতোপকী ঈচাও’ মায়োক্নরক্লিবা মণিপুরদা এন আর সী চৎনহন্নবা ৱারেপ ৬ লৌখ্রে

**ইমপ্লিমেন্টেসন ওফ নেসনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজেন্স ইন মণিপুর**



ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচএনএস) :

চহী কয়াগী মমাঙদগী ‘মীতোপকী ঈচাও’ (দেমোগ্রাফিক চেলেঞ্জেস) মায়োক্নরক্লিবা মণিপুরদা নেসনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজেন্স (এন আর সী) চৎনহনগদবনি হায়বগী পান্দমদা মণিপুরগী মহৈরোয়শিংগী লূপ তরুক্না পূন্না শীন্দুনা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা ইম্ফালগী সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা পাঙথোক্তুনা পান্দম অসিগীদমক তোঙান তোঙানবা ৱারেপ তরুক লৌখ্রে।

এম এস এফ, দেসাম, কে এস এ, সুক অমসুং এইমসনচিংবা লূপ তরুক্না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবা মীফম অসিদা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী এক্টিং চ্যেরপর্সন ওইরম্বা সিনিয়র এদভোকেট খাইদেম মনিনা মোদরেটর ওইখি। অদুগা রিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ বাইও ষ্টেটিষ্টিক্সকী প্রোফেসর (ডাক্টর) আর কে নরেন্দ্র অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ লোগী হেদ ডা. য়ূম্নাম প্রেমানন্দনা রিসোর্স পর্সনশিং ওইনা ৱা ঙাঙখি।

মীফম অসিগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা দেসামগী প্রসিদেন্ট লৈশাংথেম লময়ানবনা ফোঙদোকখিবদা মণিপুর অসি ফুরুপ কয়ানা লিশাং শিংনা খুন্দা লৈতাদুনা লাকপা লমদম অমা ওইবগী মথক্তা মীতোপকী ঈচাও (দেমোগ্রাফিক চেলেঞ্জেস) গী চৈথেং হান্নদগী লৈজরক্লিবা মীওইশিংদা পীরকপদগী ঙসিগী ...মখা লামায় ৭ কলম ১

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

**HL Poll**

Q : CPI na leibak sinba thungna BJP leingakki mayokta tha ama chupna changsingadaba khongjangda meeyam hupna saruk yarakkdra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : War on Drugs Campaigngi cheirakta lamhenba Police Personel khara hanna warakhoubana achumba khongthang oigadouribra?

Yes 89% No 11%

**অস! লোইরেহে!**

- ইবুংঙোখোয় হন্দক্তি প্লাষ্টিক থিংবা কয়া লাক্লেনা?



- অহৌবা নাইনা উরব্রা ইমা?

# ‘দিষ্ট্রিক্ট বাউন্দরিশিং হোংহল্লকপা য়ারোই’



ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচএনএস) : কনাগুম্বা অমত্তনা লম লৈশিন্দুনা নৎত্রগা অরানবা ইনফোর্মেসন পীদুনা সাইনবোর্দনচিংবা খিনজিল্লগা দিষ্ট্রিক্ট বাউন্দরিশিংবু হোংদোক হোংজিন তৌহন্নবা থবক চত্থরকপা য়ারোই ...মখা লামায় ৩ কলম ৩

## বি জে পিগী মায়োক্তা থা ১ চূপ্না খোঙজং চঙশিনগনি : সী পি আই

ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচএনএস):

বি জে পি লৈঙাক লোইশিল্লসি, লৈবাক কল্লসি, মীয়াম কল্লসি, অদানি গ্রুপকী মথক্তা থিজিন্নবা জোইন্ট পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিটি শেমগদবনি, শেঙ্গা থুমজা মূখৎলসি, প্রাইভেটাইজেসন থিংলসি, এম জি এন আর ঈ জি এসকী ফন্দ ককথবা য়ারোই, মণিপুরগী ঙমখৈগী লম মাঙহনবা য়ারোই অমসুং মণিপুরদা এন আর সী ...মখা লামায় ৭ কলম ১

## চৈরাও চীংগী খুভমদা হৈকৎ লৈকৎ তম্বদা হায় কোর্টনা অয়াবা পীখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচএনএস):

মমাঙগী চহীশিংদা পাঙথোকপগুম্না হয়েং অয়ূক্তগী হৌরদুনা পাঙথোক্লদৌরিবা কুমসি চহীগী ‘এপ্রিল ১৩ : অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎ’ তা চীংমৈরোংগী চৈরাও চীংদা লৈবা নীংশিং খুভমদা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা অয়াবা পীখ্রে।


মসিগী মতাংদা কোর্ট অসিগী এক্টিং চীফ জষ্টিস এম ভি মুরালিদরননা থা অসিগী ...মখা লামায় ৭ কলম ৭

## শজিবু খুদোল তম্বা, ঈগী খোঙ্গুল লীবা



ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচএনএস) : ওল মণিপুর ইথনিকেল সোসিও-কলচরেল ওর্গনাইজেসন (অমেস্কো) না কুমজা ২০০১দগী লেপ্তুনা পাঙথোরকপগুম ঙসিসু সঙাইপ্রৌ কবুইপৈ (থৌবৈ) গা খূৎশম্নদুনা সঙাইপ্রৌ কবুই খুলগী কম্যুনিতি হোলদা শজিবু খুদোল তম্বা, ...মখা লামায় ৭ কলম ৩

HL-B/8120/13







HL-B/8121/13